# লৈরাং ক্বাক্লৈ : থিংবাই নিংথৌ হেনবা মুবা পাউহনচেক ক্বাক্লা শাইওনখিবী লৈরাং

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -



অঙকপনি, মণিপুরী ফোকলোরগী মবুক থনবী পুক্নৈ। পেকথোক-খাইদোকপগী লোইবা খন্বা নাইদে। উপান অমা ৱারী অমা, উচেক অমা শৈরোল অমা, লৈ অমা শৈথারোল অমা, ফজবা নুংশিবনা পিক থল্লি। হন্না হন্না তাদুনসু পাদুনসু পেনবা কৌবা নাইদে। শৈথারল্লিবশিংগী মনুংদা ক্বাক্লৈ লৈরাংগী ৱারীসু ওন্থোক্লা নুংওনখ্রে। মতম অমদা ইনুং ঙাল্লে তাইবং মীকপ থোক্লো, নথৌ শিন্থা পাঙলরো হায়না 'ক্বাক ক্বাক' হায়না য়াক্লা য়াক্লা খোংবদু শাউনীবনা। অথোৎপা অমেঙবা অমত্তা য়াওদবদুনসু ওইরম্বা য়াই, খোর্জৈ শূবশিংনা শীংথারকপদা 'ক্বাক্লা লানবাউ চেনবা' হায়রিবদো। শাবাউ লানবাউ লাকপা মানবা মখোয়গী খুৎখোংদুনে, নোং ঙান্দুনা ক্বাক খোংলবা মতম ফাওবদা হৌগৎলো হায়বা য়াদবা 'সুম তূমশিন্দুনা লৈশিল্লি হায়দুনা ইমানা খেকথরকপনে তূমশিৎ ফাদবগীরা তূম্বা হেনমনবগীরা খঙদে, মীৎসিনা মরোন অমা ইশা শাগৎলদুনা হৌগৎনীংদবনে, খনখি ক্বাক হায়বা জাসি পুংমুৎ মুৎখ্রবদি নুংঙাইখ্রনিদা। অমুক অনীরক খোংলগা কোক হেক তোকখিগেসু হায়দবনি, অদুম্মক পঙখোংদা খোংবীনি। তমথীখ্রবা ৱাখল অদুগীদমক নীংঙমদবা ফাওরকই। তূম্বা থুগায়বীরে হায়না মখোন তানীংখিদবা, মশক উনীংখিদবা অমুবা মচুগী ক্বাক্তুনা খোংবদো ঐখোয় শ্বাইদদি তাবা ইফং ফংখিদ্রে। নহান নোংমদি য়াম্না লিক্লা শোন্দম নাদম্না তাবোই তাদবোই খোংলম্বা চিকমাঙ মাঙখিবৈ ৱানি। অমুক হন্না খোংলরবদি নুংঙাইখ্রনিদকো খঞ্জবনি, হল্লকখিদ্রে। খঞ্জিল্লুরগা ইথন্তা নোংক্লীংবা ফারকখি, হংজখি ইথন্তা, ' অঙাং ওইরিঙৈদা অদুক য়াম্না তাথীখিবা মাবু ঙসিনা ইনাক্তা লৈহন্নীংলিবা, মাগী য়াল্লবা, তূম্বা থুগায়বা খোঞ্জেন্দো তানীংলক্লিবসে করিগীনো? 'তশেংমক্তি মহাক্কী মপুগী শিন্থা কায়দনা মথৌ পামজবনি। লানগনখ্রবা, ইথৌ মশক খঙগনখিদ্রবা মী মখলদু ওইরুবগীনি মাবু তাথীখিবা। অমম্বগী মফম অঙানবনা শিল্লক্লে হায়না পাউজেল্লিবনি খঙজরক্লবা মতমসিদদি মাগী খোঞ্জেন্দো কয়াদা মমল য়াল্লমখ্রবা!

মচিং শাথীবা, অতোপ্পনা লাকচবা য়াদবা, অতোপ্পগী মখাদা লৈনীংদবা, মানা লুচিংবা ওইরগা পেঞ্জগে হায়বা ক্বাক্কী ৱারী শীংবুন অরিবা শৈথারোলদা য়াওরম্মী। লমদমসিদা ফংবা লৈ মখল কয়াগী মনুংদা ক্বাক্লৈসু শীংথানিংঙাইনি। মেরা থাগী থানিন্দা খুমু হুল্লগা শাৎপা ক্বাক্কী মিংথাঙ লৌদুনা ক্বাক্লৈ হায়না থোনিখবা লৈরাংনি হায়না লৈরোলদা শৈথারি। মউনা লী, লৈনানা উচেক্কী মশা, পোল্লিঙৈ মতমদা ক্বাকচীন, ফূগাইনা শাৎলকপদা ক্বাক্কী মতোক মানবা, হীগো মচু ওইবা ক্বাক্লৈ লৈরাংনি। লৈশক লৈচু হেনবখক্তমক নত্তনা লমদম অসিগী ওইবা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা লাইনীং লীচত্তসু মফম চাউনা কন্দুনা থল্লিবা লৈরাংনি। খুমন পোকপা খুরুম্বা অমদি নোংদা লাইরেন পাখংবগী ঈরাৎ থৌনিদা য়াওবগা লোয়ননা হিয়াঙ কুম্মৈদা লৈবাক নিংথৌনা শমজিন্দা চিনবা লৈনি হায়না শৈথারিবা মতাং অমা, - খুমন পোকপা খোয়ুমলৈ/চিংঙু থৌনিবা য়াওবা লৈ/ইয়ুম পোইরৈ মৈতৈনা/চিংঙু লাইরেন পাখংবগী/থৌগন কুম্মৈ য়াওবা লৈ/ লিক্লাই ইবুংঙো লাইনিংথৌ/মপু হিয়াং কুম্মৈদা/ৱাকমু লৈমা উংগোইথোং/কুমজিং লুখোং ফৈয়েৎনা/ৱাহোং মতু তরেৎনি/ পান্দু লৈখা মঙানে/নিংথৌ ৱাংবা শমজিনলৈ/শমজিন থক্তা হেনবা লৈ/নওং য়েংবদা খোইরাংই/নতৌ য়েংবদা নুংঙোললি। অসিগুম্লবা মতিক ময়াই লৈরবা লমদম অসিগী লাইনীং লীচৎ অমদি কলচরদা শাগোন্নদুনা লৈরবা লৈরাং অসিগী হৌরক্লোন্না মণিপুরী ফোকলোরগী মরু ওইবা মচাক অমসু ওইরি। মীওইবগী পুন্সিরোলদা লোয়নদুনতা লাক্লিবা ক্বাক অমদি লৈরাং ক্বাক্লৈ অনী অমনা অমদগী তোঙান্দে, শকওং শক্তম তোঙাল্লবসু থৱায়দি অমত্তনি হায়বগী য়াম্না নুংশিরবা মিথ অমা থন্বীরম্মী। অমরোমদা, অহেনবা পাম্বা মীওইবগী মচৎ অমসুং নাপন ময়াই কাবনা পুন্সিদা চৈফু চৈথেং পীবা নত্তনা করিমত্তা তোংজবা লৈতে হায়বগী পাউতাক পীবনি।

কয়াদা মনুং কনখ্রবা চেক্লানো, মকন্থীনা মরন ফোয়দৎচবা হায়বদু হেক থোকই। অমরোমদ, মশাগী হক তানবনি। ফম মুক্লবগী ৱাথোক্তিং ঙসি ঙরাংখক্কী নত্তে, মপু পানবা লৈঙাক্লোন লৈরকপদগীনি। লাই হাক্তক্তা গুরুগী মপারী অনী অশিবা অমদি অপানবা অনীনা কংলা ফম্বান মুন্নবগী ৱাথোক লৈরিবনি। ক্বাক্লা ক্বাক্লৈ লৈরাং ওনখিবগী ৱারীসু পিবা ফম মুন্নবগী থৌদোক্কা মরী লৈনৈ। নোংমা উচেক অহুম হায়বদি ক্বাক, মকু অমদি উরোক পিবা ফম মুন্নবগী ৱাহৌদগী খৎনরম্মী। মকুনা হায়রম্মী, 'নখোয় অনী তাবরা, ঐনা খ্বাইগী অহলনি, পিবা ফমসি ঐগীনি' য়েংবদা অকিবা ফাওরবা মমিৎনা মরম ওইরগা তাইবং মীওইবনা মশক য়েংনীংদবা অমদি করম্বা মতমদা লাকপনো খঙদবা মানা মতৌ করম্না পিবা ওইগদৌরিবনো হায়না মাগী ৱাফমদু ক্বাক অমসুং উরোক্লা য়ারমদে। মদুদগী মকুনা হায়বা মতুং ইন্না ৱায়েল তৌবিনবা গুরুগী মনাক্তা লাক্লম্মী। গুরুনা মখোয় অহুম কৌশিল্লগা খৎনদনবা হায়রবা মতুংদা মকুদা হংলম্মী, 'মকু নঙনা পোকপসে মতম কয়া কুইরবা?' মতমদুদা মকুনা খুম্লম্মী, 'ননাই মকু ঐদি তাইবং লৈশেন্লকপদা য়াওজরে।' মকুগী ৱাদু তাবদা গুরুনা হায়রক্লম্মী, 'অদুদি মকুনা অহল ওইরে, মরম অদুনা পিবা ফমসি মঙোন্দা পীরসি।' গুরগী ৱাদু তাবদা উরোক্লা মাগীসু ফম অমা পীবিরো হায়রম্মী। মদুদা গুরুনা থৌজানবীরদুনা হায়রক্লম্মী, 'নহাক্কী নতুনা উরেকশেক নোইনিংখোই হায়না মিংথোনবা কোক্কী লৈতেং শেমদুনা অঙম অথৌ কয়াগী শমজিনথক্তা ঙানজরো। 'মকু অমসুং উরোক অনীবু গুরুনা মতিক চাবা ফম অমমম পীখিবদা পিবা ফম ফংহৌদবগা মান্নখিদুনা ক্বাক অদু খোয়রাঙ খোয়শাউরম্মী। অশাউবা ফাথবা ঙমদবদগী গুরুগী মীৎমাঙমক্তদা মশামক্তি মতোক তোক্লেন অদু ফোয়দৎচদুনা ঈনা পুমঙাঙ ঙাঙলম্মী। মরিন খারবা ক্বাক্কী থৌদৌ অদু উবদা গুরুনা হায়রম্মী, 'ঙাইখো ঙাইখো চেক্লাও। নঙসে নরিল খামল্লি। মরম অদুনা ঙসি হায়বা নুমিৎসিদগী নঙগী অঙৌবা কুচুসে অমুবা মচু ওইরোকো। অদুগা ফোয়দৎলবা নঙগী নতোক তোক্লেন অসিনা পামেন উফৈথক্তা থাংগৎকেকো। নতোক অসিনা লৈরাং ওইনা শাৎচরো। হায়রিবা লৈরাং চরোং অসি হেক্লগা খুমন পোকপদা কৎপদা চিংঙু মানা পাম্না লৌবীবা ওইরসনু। মদুগীসু মথক্তা হিয়াঙ কুম্মৈ মতমদা হিয়াং হিরেন মথক্তা লৈরাং মানা ঙানবদু উরগা ঐগী অপেনবা ওইরগে।' মতৌ অসুম্না গুরুগী থৌজান ফংদুনা ক্বাক্কী মতোক্লা শাইওনখিবা লৈনি হায়দুনা ক্বাক্লৈ হায়না মিংথোন্দুনা অৱাংবা ফিদা অমা ফংবা ঙমজখি।

মতম অমদা লম পাক চাউনা মরাং কায়না লৈনরিঙৈদা য়ুম অমা ৱাপান-উপান, হৈকোন-লৈকোন, এঞ্জাং-নাপী, মনা-মশিং, মরোয়-মপাং মরাং কয়ানা হৌবা ইঙ্খোল অমা হায়বদা হায়মনবা থোক্লমদে। মখল মখলগী উরৈ কয়াসু উপানশিংগী উকাদা নপ নপতুনা চরোং চরোং জুম জুম য়াম্থদুনা শাৎপদো কয়াগী মতিক ফজবা। মতম অদুদা ফজৈ হায়না খনবদগী হেনবা অতৈ অতোপ্পা অমগী ৱাখল চঙখিদে। ঙসিদি অদুক্কী মতিক মমল লৈরমখ্রে। মমাঙঙৈ মতমগী ৱাখল লৌশিং চঙখোল্লবা ইপা ইপুশিংনা মীরোল খুদিংমক্তা তম্বিরম্বা খুদোলনি, মমল য়াম্লবা ফোকলোরগী লনগৈনি 'লৈরোল'। লৈ মখল কয়াগী ৱারী ৱাখোঙ, মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক, মতৌ করম্না লৈরাংগী মমিং থোনিখবগে হায়বদু শৈথারি। লৈরাংশিংগী মনুংদা ক্বাক্লৈবুসু শৈথারি। অৱাংবা ফম্বু পামদবা মশিং য়াম্লম্লোই তাইবংদা। মীওইবগী মচৎ অমদি নুংদা লৈরিবা ৱাখল্লোনবু চেক্লা ক্বাক্কা খুদম চাংদম্নরকই। অমরোমদা, তাইবং মীওইবগা তৎন থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনরিবা শা উচেকশিংবু তাথিবীদনবা পাউজেল পীবগা লোয়ননা লৈরাং ক্বাক্লৈগী মতিক মগুন হেনগৎহল্লি। মণিপুরী খুন্নাইদি য়েক শলাইগী ওইবা চৎন কাঙলোন কয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেমগলকখিবনি। অসিগুম্লবা খুন্নাইগী চৎন কাঙলোনশিংগী মতুং ইন্না পিবা ফম অসি অদুক্কী মতিক ইকাই খুম্ননা অমদি কিনা লুনা লৌনরম্বনা ফম অসিবু পামদবা কনাসু য়াওরমদে। অদুবু কল্লে থৌরে, হৈরে শিংলে হায়দুনসু কনাগুম্বা অমনা হেক্তমক ওইবা য়ারমদে, চৎন কাঙলোনগী মতুং ইন্না খ্বাইদগী অহল ওইবা অদুদা পীরম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। মতৌ অসুম্না ক্বাক্লা খোংবা তারগা ক্বাক্লৈ চরোংবু নীংশিংহন্দুনা মীত্তা শং শং উহনবা শৈথানি। ●

# অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাওনা করি ওইরকপা য়াই

- পারি য়েন্দ্রেম্বম -

ঐখোয় পূম্নমক হৌজিক হৌজিক মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা খূৎলায় লমজেলগী চক অদুদা লৈরিবনি। করিগুম্বা ৱাহৌ অমা হেক্তদগী অচৌবা লাঞ্জাও ওইরকপা য়ারিবা অদুগুম্বা চক অদুনি।

ঐখোয় পূম্নমক্লা লান্না পীবা চৈথেং অমদি মসিনা মীওইবা খুন্নাইদা পীরকপা অমাঙ-অতা কয়া অমা লাইরিক্তা তমদুনা চাউরকই। মসিগী চৈথেং অসি অদুক্কী মতিক শাথিখ্রে মদুদি মীওইবা হায়বা ফুরুপ অসি মালেম অসিদগী মুৎপা য়ানা শোকহল্লিবনি। লোয়ননা মীওইবা ফুরুপ্তা নত্তনা অতোপ্পা জিব পানবা কয়াবুসু মালেমদগী মুৎপা য়ারিবনি। ৱর্ল্ড ৱার ৱান অমদি ৱর্ল্ড ৱার টুদগী ঐখোয়না লানগী চৈথেং মমুৎ তানা খঙখ্রবনি। ৱর্ল্ড ৱার ৱান অসি Archduke Ferdinand কৌবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিংথৌ ওইরক্কদবা নুপা অসি Sarajevo কৌবা মফমদুদা সাইবেরিয়ন অমনা হাৎপদগী হৌখি। কুমজা ১৯১৪দগী ১৯১৮ ফাওবা শোক্লখিবা লান অদুদা মীচম মিল্লিয়ন তরেৎ অমদি লান্মী মিলিয়ন তরাগী মপুন্সি পিখম্নখি। খূৎলায় অফবা কয়া থোকত্রিঙৈগী অমদি সবমেরিন, মিসাইল, ন্যুক্লিয়র বোম্নচিংবা থোক্ত্রিঙৈগী লাননি।

অসুম্না চহী খরা ঈংনা লৈরুরবা তুংদা অহানবা লাঞ্জাওদা মায়থীখিবা জর্মননা, মশাগী লান্মী মতিক চানা অমদি অনৌবা খূৎলায় কয়াগা লোয়ননা লমন খুম্নবা হোৎনরকখি। পোলেন্দবু জর্মনগী হিটলরগী য়াথং মখাদা লৌশিনবা হৌরকপদগী অনীশুবা লাঞ্জাও হৌখি। কুমজা ১৯৩৬তগী ১৯৪৫ ফাওবগী লান অসি জপানগী হিরোসিমা অমদি নগাশকি হায়বা মফম অনীসিদা অমেরিকানা এটোম বোম থাদদুনা লোইশিনখি। লোয়ননা মীওই মিল্লিয়ন ৫০-৮০গী পুন্সি পুদুনা চৎখি। মতম অদুদা অমেরিকা খক্তমক এটোম বোম লৈবনা মখা তানা ন্যুক্লিয়রগী লান থোকখিদবনি।

অদুবু ঙসিদি অমেরিকাদা নত্তনা রসিয়া, চাইনা, ইন্দিয়া, য়ু কে, ফ্রান্স, জর্মনি, বেলজিয়ম, নোর্থ কোরিয়া, ইরান য়াওনা লৈবাক কয়ানা মশাগী ওইবা ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায়শিং শেমগৎনরক্তুনা খূৎলায়গী পুক্নৈদা হাপচিল্লকখি। ঙসিদি মালেম অসিদা চাওরাক্লা ন্যুক্লিয়রগী ৱারহেদ ১৬০০০ লৈরে। মরম অসিনা করিগুম্বা অহুমশুবা লাঞ্জাও হায়বদু থোক্লবদি অহানবা অমদি অনীশুবা লাঞ্জাওদগী পুমতোং তোংঙানবা অমদি ওইগদৌরিবনি।

অদুবু চাওখৎ চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা লানগী শাজেল তৌদুনা অমদি অঙকপা ফংনা এদভান্স ওইবা খূৎলায়শিং শেমদুনা শেল য়াম্না য়াম্না থাদনরি, বিল্লিয়ন ওফ দোল্লর কয়া ঙাকশেলদা থাদদুনা য়েক্লবশিংদগী মথক থোংনবা হোৎনরি। অমেরিকাগী এন্যুএলগী ওইনা মিলিটরিদা ৬৪৮.৮ বিল্লিয়ন দোল্লর থাদদুনা মকোক চিংলি, চাইনা (২৫০ বিল্লিয়ন দোল্লর), সাউদি অরাবিয়া (৮২.৯ দোল্লর বিল্লিয়ন), রসিয়া (৬৩.১) অমদি মঙাশুবদা ইন্দিয়া (৫৭.৯ বিল্লিয়ন দোল্লর) না মতুং ইন্নদুনা চৎলি। নুংতিগী পাউচেগী লমায়বু লৈতেংলিবা লোইবা নাইদ্রবা সেরিয়ন সিভিল ৱারগী পাউ, সাউথ চাইনা সিগী কনফ্লিক্টস, ইন্দিয়া পাকিস্তানগী য়েংথীনবা, য়ু এস নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়রগী মতাংদা য়েংথীনবা, য়ু এস - রসিয়াগী খূৎলায়গী লমজেল, ইজরেল - পেলেষ্টাইনগী ৱাথোক অমদি লুশিল্লক্লিবা য়ু এস - ইরানগী মরী, য়ু এস - চাইনাগী লল্লোন-ইতিক্কী লান, কয়া অসিনা অচৌবা লান হায়বদি অহুমশুবা ৱর্ল্ড ৱার থোক্লগদ্রা হায়বগী মীপাইহল্লি।

করিগুম্বা খুজিন খুনাম্থোক্তগী লান অসি থোক্লবা অদুগা লৈবাকসিনা ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায়শিং শীজিন্নবা হৌরক্লবদি ঐখোয়গী মালেম অসি করি ওইবা য়াই? জপান্দা অমেরিকানা থাদখিবা এটোম বোম 'লিট্টল বোম' না মীওই ৯০,০০০ - ১৬৬,০০০ শিহনখি। মতুং তারকপদা থাদখিবা 'ফেট মেন' না মীওই ৩৯,০০০ - ৮০,০০০ শিহনখি। অয়াম্বা মীশিংদি রেদিওএক্টিভিটিনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা বোমশিং অসিদি অমমমনা হায়রিবা জপান্দা থাদখিবা বোমশিং অদুদগী লিশীং হেন্না মতিক ময়াই লৈবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ন্যুক্লিয়রগী লান লোইরকপদগী মালেম অসি অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙল্লোইদবা মওংদা শোকহনগনি।

অদুবু হৌজিক ফোঙ-ফোঙ শারিবা য়াম্না লুরিবা ইস্যু অমা ওইরিবা ইন্দিয়া-পাকিস্তানগী ৱাথোক অসি মতম চানা হৈশিংনা লোইশিনহৌদবা য়াদ্রি। লৈবাক অনীমক ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ ১৩০দগী ১৪০ ফাওবা পায়নবা ঙাক্তনি। লানগী খূৎলায় মতিক চাজদবা অমদি অফবা এয়রক্রাফ্ট, টেঙ্ক লৈজদবা লৈবাকশিংগী ওইনদি ন্যুক্লিয়র খূৎলায়দা তাংজরক্কনি অমদি হান্না ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায় শীজিন্নহৌনবা হোৎনরক্কনি। করিগুম্বা লান থোক্লবদি, পাকিস্তাননা মরুওইনা তম্লক্কদৌরিবসি মী কুংবা দিল্লিদনি। মসিদা ন্যুক্লিয়র মিসাইল কাপশিল্লক্লবদি করি ওইগনি? খুদক্কী ওইনা মীওই লিশীং কয়া শিহনগনি অমদি রেদিএসন্না মরম ওইদুনা মখা তানা মীওই লিশীং কয়া অমসু শিহনগনি। বোম পোকখায়বদগী কাখিবা উফুল-ৱাইফুলশিংনা থা কয়া নুমিৎকী মঙাল উবা ফংলোই। মসিগা ইরোইননা Nuclear fallout অমদি Nuclear winter মথং মথং মখা শমথরক্কনি।

Nuclear fallout হায়বসি অতিয়াদা কাখৎখিবা চেঙ্গুম মানবা উফুলশিং অদুদা য়াওখিবা রেদিওএক্টিভ সবষ্টেন্স অদুনা লৈমায়দা তারকপদুনি। Nuclear winter হায়বসিনা নুমিৎকী মঙাল চঙবা ঙমদবদগী থা কয়া নিংথমথা ওইদুনা লৈবদুনি। ইন্দিয়ানসু করাচি তম্না খূৎ হন্দুনা তপ্না তপ্না Western Allies শিং য়াওশিন্নরক্তুনা অচৌবা লান অমা ওন্থোরক্কনি। হান্নদগী নুংশিনদনা লৈরিবা লৈবাকশিং মাগী মাগী মীচং শৌগৎতুনা খূৎ থানরক্তুনা অহুমশুবা ৱর্ল্ড ৱার ওইরক্কনি।

মরম অদুনা মতাং চানা শাথিবা নীংঙক-নীংঙকপদা তৌবা রুলর অমা লাক্ত্রিঙৈ ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং অসি হন্থহল্লবদি অমদি লান্দা খূৎলায় অসিবু শীজিন্নদনবা হান্নদগী হেন্না কনবা ত্রিটিনচিংবা পুথোকপীরবদি "Apocalypse" দগী নাম্থোক্লবা মচাক ওইগনি। ●


ꯃꯤꯄꯨꯝ/ PILES কী ওইনা মণিপুরদা অতাঙবা ওজানি

ওজা Kabiraj Abdul Hak, Wangoi SBI Awang দা লৈবগী মফমদা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌবদগী খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরম্বা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, চক-চক থিনবা, খোঙ হাম্বা মপূং ফাদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তাবা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংউ য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবা খুদিংমক হৌজিক্তি মপূং ফানা ফজরে, অনাবা লৈতবগুম তৌরে। অদুক্কী মতিক হরাওজৈ। মরম অসিনা ওজা Abdul Hak পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী Contact No. দি 8794429681, 8014623756 নি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-


1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

থাগৎচরিবা : Md. Rafijuddin
Houreibi Makha Leikai

HL-P/4305/8



ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা য়াম্না শাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎথোক্লগা লৌথোকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি




ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদসু চাথৎপা, খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমাংথোঙ মনুংসু খুজিনবা, খোঙ হাম্বদা মতম য়াম্না কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা য়ারক্তবসু য়াওবা, করিগুম্বা মতমদা খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী চাথৎপা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি তৎপা, অমাংথোঙদা চিকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা শাবা অমদি পুঙ্খায়মুক অমাংথোঙদা চিক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোয়না থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎথোক্লগা লৌথোকপা, অমাংবদু খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা তারবসু অমাংথোঙ মনুংদা নুংঙাইতবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শৌগৎপা, কাময়া অনীমক চিকপা নাবা, কোক লূম্বা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, ডোক্তর য়েংহনবা মতমদা ওপরেসন তৌসি হায়রকপদগী ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/4248/8 থাগৎচরিবা : B. Kameshwar Meitei, Thangmeiband



ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, নপ মহী তাবা, লোক কংখু খুবা, লোক তোয়না থুংবা, নাতোন মখুল অনীমক ফুল্লগা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, য়ারোমদা ওইনা শ্বর হোনবনা মরম ওইদুনা য়াখোঙ চেৎলক্তবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, নপ মহী তাবা, লোক কংখু খুবা, লোক তোয়না থুংবা, নাতোন মখুল অনীমক ফুল্লগা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, য়ারোমদা ওইনা শ্বর হোনবনা মরম ওইদুনা য়াখোঙ চেৎলক্তবা, নাহি মরক-মরক্তা তাবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা, শ্বর মনম নমথীবা, নপ শিৎপা অমদি লোক শিৎপদা নাইগুম্বা য়াওরকপা, কোক চিকপা, কোক ঙাওবা, মরক-মরক্তা ব্রেন চোইবগুম্না ৱাখল চনীং তানা খনবা ঙল্লক্তবা য়াওরকপা, মীৎতগী পি তোইনা তাগনবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক নাবা, য়াংলেন শরদ্দা চিকপা-নাবা, অঙ্গৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা, লাইরিক পাবা ঙমদবা, হকচাং পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, অহিং তূম্বদা শ্বর ফুনবা, নাতোন মখুল অনীমক ফুনবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/4332/8 থাগৎচরিবা : Ph. Gopen Singh, Thangmeiband


মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।